# কামতপুর লিবরেসন ওর্গনাইজেসনগী চীফ জিবন সিংহ মেদিয়েটর দিল্লিপ নরায়নগা পুন্না লৈবা থেংনরে : রিপোর্ট



কোহিমা, জানুৱারী ১৭ (এজেন্সি): কামতপুর লিবরেল ওর্গনাইজেসন (কে এল ও) গী লুচিংবা জিবন সিংহ লৈবাক অসিদা চঙলকখ্রে হায়না তোঙান তোঙানবা পাউগী লিখুনশিংনা ফোঙদোক্লখ্রবা মতুং ঙরাং মেদিয়েটর দিল্লিপ নরায়নগা নাগালেন্দগী মোন দিষ্ট্রিক্টতা পুন্না লৈমিন্নরম্বা থেংনখ্রে হায়না থাজবা য়াবা পাউগী লীখুনশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি।

থা অসিগী ১৪ দা খুৎলায় মতিক চানা পায়বা কেদর ৮ গা লোয়ননা মহাক ম্যান্মারদগী ইন্দিয়াগী শরুক্তা চঙশিল্লকখ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোক্লখিবগা লোয়ননা মহাক ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মার লৈবাক অনীগী লোন্নবা শরুক্তা কেম্প তৌদুনা লৈরম্বা য়াই অদুবু চপ চাবা মফমদি খঙবা ঙমদ্রি হায়না ফোঙদোক্লরকখিবনি। রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না মিলিটেন্ট গ্রুপ অসি নাগলেন্দগী মোন দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লাংৱা এরিয়াদা কেম্প তৌদুনা লৈরি। হায়রিবা মফম অসি ম্যান্মার বোর্দরগা য়াম্না নক্লনা লৈবা মফম অমনি। লোনা অথিংবা থমখ্রবা লালহৌলূপ অসি ৱেষ্টর্ন অসাম অমসুং নোর্থন বেঙ্গলদা য়াম্না এক্টিব ওইনা লৈরি। লালহৌলূপ অসিনা তোঙানবা কামতপুর ষ্টেট অমা দিমান্দ তৌদুনা লাখিবনি হায়রি।

অমরোমদা অথিংবা থমখ্রবা লালহৌলূপ অসিনা গভর্নমেন্টকা পীছ টোক তৌবগী অপাম্বা ফোঙদোরকপা লৈখ্রে। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমিত শাহনা লুচিংবা সেন্ত্রেল গভর্নমেন্ট অমদি লালহৌলূপ অসিগা হৌজিক পীছ টোক তৌরিবা অসি লোইশিল্লক্কদৌরে। হৌজিক চথরিবা ৱারী শাবগী থবক অসিদা ফোরেন কন্সপিরেটর অমদি দোমেষ্টিককী ওইবা য়ৈখায় থিনগায়বগী থবক অমত্তা লাত্ত্রি অমদি মসিদগী ঙাকথোক্লবা মতম পুম্বদা শেম শাদুনা লৈরি হায়না লালহৌলূপ অসিগী দিপ্যুটি চীফ সুরয়া কোচনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা পীছ প্রোসেসকী থবক্তা মীয়াম্না মতেং পাংশিন্নবা মহাক্কী মায়কৈদগী অপিল তৌরক্লি। পনবা য়াবদি মমাং চহীদা লালহৌলূপ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি লৈঙাক্তা খুৎলায় থাদোক্তুনা চঙজখিবনি হায়রি।



ষ্টেট সেন্ট্রেল লাইব্রেরি দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচরনা শিন্দুনা পাংথোকখিবা ২৯ শুবা ইম্ফাল বুক ফেয়র ২০২২ গী হুম্নি চনবদা দাইস মেম্বর ওইখিবশিং

# ‘কা হেনবা থৌওংশিং থিংনবগীদমক অপীকপা মাদ্রাশাশিং অচৌবদা পুনশিল্লগনি’



গুৱাহাটি, জানুৱারী ১৭ (এজেন্সি): অসামদা থোকপা পামদবা থৌদোকশিং থিংনবগীদমক ষ্টেট অসিদা লৈরিবা অপীকপা মদ্রাশাশিং অচৌবা মদ্রাশাদা পুনশিন্নবা অসাম গভর্নমেন্টনা খন্নবা হৌখ্রে হায়রি।

অসামগী দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস ভাস্কর জ্যোটি মহন্তনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না ষ্টেট অসিদা লৈরিবা অপীকপা মদ্রাশাশিংনা চহী নৌরিবা নহা কয়াদা অরানবা ৱাখল্লোন চেলহন্নবা হোৎনবা অমদি টেরর গ্রুপশিংগা মরী লৈনরম্বগী থৌওং কয়া থেংনখ্রে। অপীকপা মদ্রাশাশিংনা ইস্লাম লাইনিং চৎপা নহা ওইরিবশিংবু অরানবা লম্বীদা পুশিন্দুনা কা হেনবা থবক থৌওং কয়া চথহনবগী থৌদোক অসি তোয়না থোক্লি। মসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক অপীকপা মদ্রাশাসিং অচৌবদা পুনশিন্নবা থৌরাং পায়খৎপা হৌরকপনি।

মমাং চহীদা অসাম পুলিসনা ষ্টেট অসিদা অন্সারুল বাংলা টিম (এ বি টি) অমসুং অল কাইদা ইন ইন্দিয়া সবকন্টিনেন্ট (এ ক্যু আই এস) কী মোদ্যুল ৯ থুগায়বা ঙমখি অমদি লালহৌবা ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনবা মীওই ৫৩ ফাবা ঙমখি। অসাম পুলিসনা ৱেষ্ট বেঙ্গল, উট্টর প্রদেশ অমসুং মধ্য প্রদেশ ষ্টেট পুলিসকা খুৎশম্নদুনা লালহৌবগা মরী লৈনবা কা হেনবা থৌওংশিং থিংনবা হোৎনদুনা লাক্লি। বাংলাদেশতগী লাকখিবা মীওই খরনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা অপীকপা মদ্রাশাশিংগা খুৎশম্নরগা চহী নৌরিবা নহা কয়া অরানবা লম্বীদা পুশিন্নবা হোৎনরম্বগী রিপোর্ট লৈরে। বাংলাদেশতগী চঙলকখিবা মীওইশিং অদু ষ্টেট অসিদগী অতোপ্পা ষ্টেটতা চত্তুনা লোৎখ্রে হায়বগী পাউসু লৈরে। অমরোমদা অচৌবা মদ্রাশাশিংনা পুলিসনা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিংদা চাওনা মতেং পাংশিল্লক্লি হায়রি।

# ত্রিপুরাগী হান্নগী মিনিষ্টর কোংগ্রেস পার্টিদগী তোক্লবা মতুং তিপ্রা মোথাদা য়াওখ্রে

অগরটালা, জানুৱারী ১৭ (এজেন্সি): অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেট খরদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি মীখলগী মতম নকশিল্লকপগা লোয়ননা পোলিটিকেল লীদরশিং পার্টি হোংদোক হোংজিন তৌবগী চাংসু হেনগৎলক্লি। পার্টি অমদগী তোক্লগা পার্টি অমদা য়াওবগী থৌদোক অমদা ওইনা ত্রিপুরাগী হান্নগী মিনিষ্টর অমদি কোংগ্রেস লুচিংবা লক্সমি নাগ ঙসি তিপ্রা মোথাদা য়াওরগনি হায়রি।

মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ত্রিপুরা এসেমব্লি মীখল য়েংশিন্নবগীদমক ইলেক্সন কম্মিসনর য়াওনা মহাক্কী টিম ত্রিপুরাদা থুংলখিবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী লুচিংবশিংগা উন্নদুনা ৱারী শানখিবগা লোয়ননা ইলেক্সনদা পামদবা থৌদোকশিং থোকহল্লক্তনবগীদমক ষ্টেট পুলিসকী মকোক থোংবশিং, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনশিং অমদি সেন্ট্রেল এজেন্সীশিংগা উন্নদুনা সিক্যুরিটিগী ওইবা ৱাফম কয়াসু খন্নখ্রে হায়রি।

কোংগ্রেস লুচিংবা লক্সমি নাগনা তিপ্রা মোথাদা য়াওরকপগী মতাংদা হায়, তিপ্রা মোথা পার্টিগী লুচিংবা ওইরিবা প্রদিওট কিশ্বর মনিকয়াদা মহাক্না চাওনা থাজবা থম্মী। লুচিংবা অসিগী মখাদা ষ্টেট অসিগীদমক থবক কয়া মায় পাক্লা পায়খৎকে হায়বগী পান্দমদা তিপ্রা মোথাদা য়াওনবা ফীরেপ লৌখিবনি। অদুম ওইনমক মহাক্না কোংগ্রেস পার্টিদগী তোকখিবা অসি পার্টি অসিদা লন্নাই নুংঙাইতবা অমত্তা লৈতে। শুপ্নতগী তিপ্রা মোথাদা থাজবা থম্বগীনি হায়রি।

# হি মথক মখা ওনবগী থৌদোক্তা মীওই ১ থিবা ফংদনা লৈরি

গুৱাহাটি, জানুৱারী ১৭ (এজেন্সি): অসামগী মনুংচনবা বক্সা দিষ্ট্রিক্টতা ঙসি হি মথক মখা ওনবগী থৌদোক্তা মীওই ১ থিবা ফংখিদ্রে হায়না মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না হি অদুদা পুন্না মীওই ৮ তোঙখি। মদুগী মনুংদা মীওই ৭ হৌজিক ফাওবগী ওইনা রেসক্যু তৌবা ঙমখ্রে। অদুগা নুপামচা অমনা থিবা ফংদনা লৈরি। হৌজিক থিবা ফংদ্রিবা নহা অদুগী মমিং সিজু খেরকেতারি কৌই হায়বা খঙবা ঙমখ্রে। মহাক বক্সা দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা মোনিমতাদগীনি। রেসক্যু ৱার্করশিং অমদি লোকল ভোলুন্টিয়রশিংনা নহা অদুবু থিবগী থবক অকনবা মওংদা চথরি হায়রি। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা হি থৌরকখিবা মীওই অদুনা ফোঙদোকখিবদা হি অদুদা মহাক থারগা পুন্না মীওই ৯ তোঙখি। হি অদু তুরেল খোঙবানদা খামদুনা লৈবনি। মীওই ৮ অদুনা হিদা কাখৎলবা মতুং খঙহৌদনা মথক মখা ওনখিবনি হায়রি।

# পোকপা কুইদ্রিবা অঙাংগী মকোক অমা থেংনরে

দিব্রুগর, জানুৱারী ১৭ (এজেন্সি): তাবদা য়াম্না নুংঙাইতবা অমদি হৈনদবা পোকপা থৌদোক অমা ওইনা ঙরাং অসামগী দিব্রুগর দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা সন্সাপরাদা পোকপা কুইদ্রিবা অঙাং অমগী মকোক লৈরম্বা থেংনখ্রে হায়রি।

পুলিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না ঙরাং অয়ুক পুং ৬ রোম তাবদা লম্বী চৎপা মীওই অমনা অহানবা ওইনা অঙাং অদুগী মকোক লৈরম্বা থেংনখিবনি। থৌদোক থোকপগী পাউ ফংলবা মতুং পুলিস টিম অমা মফমদুদা চঙশিন্দুনা অকোয়বদা লৈবা সিসি টিভি কেমেরাশিং চেক তৌখি। সিসি টিভি কেমেরাদা লৈরমখিবা রেকোর্দকী মতুংইন্না ষ্ট্রিট দোগ অমনা পোকপা কুইদ্রিবা অঙাংগী মকোক অদু চিক্তুনা পুরকপা উখি। অদুবু হুই অদুনা অঙাং মকোক অদু কদায়দগী পুরকখিবনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রি। পুলিসনা হীরম অসিগী মতাংদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখিবগা লোয়ননা অঙাংগী মশা থিবগী থবক চথবা হৌখ্রে। অঙাং অদু চয়োল অমদগী থা অমা ফাওবগী মনুংদা লৈবা ওইরম্বা য়াই হায়রি।

# ঐচ এন এল সীগা হৌজিক চথরিবা পীছ টোক অফবা লম্বীদা ৱারোইশিন পুরকপা পাম্লি

শিল্লোং, জানুৱারী ১৭ (এজেন্সি): মেঘালয়া গভর্নমেন্ট, সেন্ত্রেল গভর্নমেন্ট অমদি অথিংবা থমখ্রবা হৈনিত্রেপ নেসনল লিবরেসন কাউন্সিল (ঐচ এন এল সী) গা হৌজিক পীছ টোক চথরিবা অসি অফবা মায় পাকপা মওংদা লোয়শিনবা পাম্বী হায়না মেঘালয়া গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা মেঘালয়াগী চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ সংমানা ফোঙদোকখিবদা ঐচ এন এল সীগী মায়কৈদগী হৌজিক চথরিবা পীছ টোক অসিগী মতাংদা ৱাফম খরা গভর্নমেন্টতা ফোঙদোরকপা লৈরে। মখোয়না ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অদুগী মতাংদা সেন্টরদা খঙহনখ্রে। সেন্টরগী মায়কৈদগী পাউখুম পীরকপা ঙাইরি হায়না চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ সংমানা ফোঙদোকখ্রবসু লালহৌলূপ ঐচ এন এল সীনা গভর্নমেন্টনা করি ৱাফম থম্লকপগে হায়বগী মতাংদদি মীয়ামদা খঙহল্লকপা লৈত্রি।



পীছ টোক অসি মপুঙ ফানা চথনবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী হোৎনরি। ষ্টেট গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগীসু ঐচ এন এল সীগী মকোক থোংবশিংগা তোয়না পাউ ফাওনরি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা মখোয়গী মায়কৈদগী য়াম্না কা হেন্না অরুবা ৱাফমশিং ফোঙদোরকপা নৎত্রগা দিমান্দ তৌরকপা লৈত্রি। মরম অদুনা পীছ টোক অসি অফবা মওংদা মায় পাক্লা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমগনি হায়বগী চাওনা থাজবা লৈ অমদি ষ্টেট গভর্নমেন্টনা ৱারী শান্নবগী থবক অসিদা অকায়বা লাকহন্দনবা হোৎনরি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ঐচ এন এল সীনা তৌরক্লিবা দিমান্দশিংগী মতাংদা খন্নবা মথৌ তাবা খরা য়াওরি। মসিগী মতাংদা মীয়ামদা হায়দোকপদা মতম চাবা ৱাৎলি। অদুবু এন আই এনা ঐচ এন এল সীগী লুচিংবা খর সম্মোন তৌখিবা অদুনা ৱারী শান্নরিবা অসিদা অয়েৎপা অমত্তা পীরোই হায়না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।



## CROSSWORD-3762

### ACROSS

1. Civil disorder(4)
3. Irish clover(8)
9. Sweetened(7)
10. Belong(3,2)
11. Many times(5)
12. Puzzle(6)
14. Remained(6)
16. Dried plums(6)
19. Emblem(6)
21. Burn fiercely(5)
24. Muggy(5)
25. Left out(7)
26. Seasickness(3,2,3)
27. Jab, nudge(4)

### DOWN

1. Answer(8)
2. Should(5)
4. Concealed(6)
5. Civilian dress(5)
6. Low stuffed seat(7)
7. Monarch(4)
8. European country(6)
13. Moved up(8)
15. Very bad(7)
17. Burrowing animal(6)
18. Recess(6)
20. Move(5)
22. Change(5)
23. Pal(4)

**Solution 3761**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | H | O | E | ■ | I | M | M | A | T | U | R | E |
| A | ■ | M | ■ | F | ■ | I | ■ | S | ■ | N | ■ | L |
| N | E | E | D | L | E | D | ■ | K | U | D | O | S |
| G | ■ | G | ■ | E | ■ | D | ■ | E | ■ | R | ■ | E |
| U | S | A | G | E | ■ | A | N | D | R | E | W | ■ |
| I | ■ | ■ | ■ | C | ■ | Y | ■ | ■ | ■ | S | ■ | F |
| N | E | A | R | E | R | ■ | P | E | R | S | I | A |
| E | ■ | L | ■ | ■ | ■ | T | ■ | X | ■ | ■ | ■ | R |
| ■ | B | L | E | A | C | H | ■ | T | E | A | S | E |
| A | ■ | O | ■ | P | ■ | R | ■ | E | ■ | M | ■ | W |
| B | O | W | E | R | ■ | I | G | N | O | B | L | E |
| L | ■ | E | ■ | O | ■ | C | ■ | D | ■ | L | ■ | L |
| E | N | D | A | N | G | E | R | ■ | R | E | E | L |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-5060

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | | | | 7 | | | | 2 |
| | | 1 | | | 6 | | 7 | |
| | | | | | 9 | 3 | | |
| | | 7 | | 2 | | | 6 | 8 |
| | 8 | | | 5 | | | 1 | |
| 4 | 9 | | | 1 | | 7 | | |
| | | 4 | 7 | | | | | |
| | 7 | | 1 | | | 4 | | |
| 1 | | | | 8 | | | | 7 |

### Solution-5059

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 7 | 8 | 5 | 9 | 6 | 3 | 1 | 4 |
| 6 | 5 | 1 | 4 | 3 | 2 | 8 | 9 | 7 |
| 4 | 9 | 3 | 7 | 8 | 1 | 2 | 6 | 5 |
| 8 | 6 | 4 | 1 | 5 | 7 | 9 | 3 | 2 |
| 1 | 2 | 9 | 6 | 4 | 3 | 5 | 7 | 8 |
| 7 | 3 | 5 | 8 | 2 | 9 | 1 | 4 | 6 |
| 3 | 8 | 6 | 9 | 7 | 5 | 4 | 2 | 1 |
| 5 | 1 | 2 | 3 | 6 | 4 | 7 | 8 | 9 |
| 9 | 4 | 7 | 2 | 1 | 8 | 6 | 5 | 3 |

## EMPLOYMENT NEWS

### SAI RECRUITMENT 2023 FOR 4 JUNIOR CONSULTANT, YOUNG PROFESSIONAL

Sports Authority of India Junior Consultant, Young Professional Recruitment 2023: Advertisement for the post of Junior Consultant, Young Professional in Sports Authority of India . Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 21 January 2023. Candidates can check the latest Sports Authority of India Recruitment 2023 Junior Consultant, Young Professional Vacancy 2023 details and apply online at the sportsauthorityofindia.nic.in/ recruitment 2023 page.
Sports Authority of India Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ sportsauthorityofindia.nic.in/. Sports Authority of India selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed in Manipur. More details of sportsauthorityofindia.nic.in/ recruitment, new vacancies, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.
Vacancy Circular No:
Sports Authority of India (SAI)
invites applications for recruitment of Junior Consultant, Young Professional
Junior Consultant, Young Professional
Experience 1 - 5 years
Educational Qualification: B.A
Experience: Please refer to official document
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR 50000 - 80250(Per Month)
Age Limit: Maximum 45 Years.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/ medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Junior Consultant, Young Professional in Sports Authority of India.
How to Apply:
Candidates who wish to apply for Sports Authority of India Recruitment 2023 must complete the application process before 21/01/2023. Here we have attached the complete procedure to apply for the Sports Authority of India Recruitment 2023 along with the application link.
Step 1: Go to the Sports Authority of India official website sportsauthorityofindia.nic.in
Step 2: In the official site, look out for Sports Authority of India Recruitment 2023 notification
Step 3: Select the respective post and make sure to read all the details about the Junior Consultant, Young Professional, qualifications, job location, and others
Step 4: Check the mode of application and apply for the Sports Authority of India Recruitment 2023
Important Dates:
Published on: 14 January 2023
Last date for application is: 21 January 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### ASSAM AGRICULTURAL UNIVERSITY RECRUITMENT 2023 FOR 44 COMPUTER OPERATOR, MORE VACANCIES

Assam Agricultural University Senior Scientist and Head, Junior Stenographer and Computer Operator, More Vacancies Recruitment 2023: Advertisement for the post of Senior Scientist and Head, Junior Stenographer and Computer Operator, More Vacancies in Assam Agricultural University. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their applications directly before 11 February 2023. Candidates can check the latest Assam Agricultural University Recruitment 2023 Senior Scientist and Head, Junior Stenographer and Computer Operator, More Vacancies Vacancy 2023 details and apply online at the www.aau.ac.in/ recruitment 2023 page.
Assam Agricultural University Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.aau.ac.in/. Assam Agricultural University selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of www.aau.ac.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.
Vacancy Circular No:
Assam Agricultural University (AAU)
invites applications for recruitment of Senior Scientist and Head, Junior Stenographer and Computer Operator, More Vacancies
Senior Scientist and Head, Junior Stenographer and Computer Operator,
Company Assam Agricultural University
Job Role Senior Scientist and Head, Junior Stenographer and Computer Operator, More Vacancies
Education Requirement Any Bachelors Degree
Total Vacancy 44 Posts
Job Locations Jorhat
Educational Qualification: Any Bachelors Degree
Experience: Please refer to official document
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR 18000 - 131400(Per Month)
Age Limit: As per company rule.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/ medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Senior Scientist and Head, Junior Stenographer and Computer Operator, More Vacancies in Assam Agricultural University.
How to Apply:
Candidates must apply for Assam Agricultural University Recruitment 2023 before the last date announced. Candidates, who apply for the Assam Agricultural University Recruitment 2023, can follow the procedure given to apply.
Step 1: Visit the official website of Assam Agricultural University aau.ac.in
Step 2: Search the notification for Assam Agricultural University Recruitment 2023
Step 3: Clearly read all the details given on the notification
Step 4: Check the mode of application as per the official notification and proceed further
Important Dates:
Published on: 09 January 2023
Last date for application is: 11 February 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification



ৱারী মমিং : হিয়াং অপাইবী

ইবা অমসুং য়েকপা : সমসন সলাম




